হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ফেব্রুৱারী ০৭, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৩০৫শুবা মশীং

## ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দস দে
## কম্মিটমেন্টগা লোয়ননা পাঙথোকহন্নীংই

'ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দস দে' ৱাহৈশিংসি করিনো, করিগীদমক ৱাহৈ অহুমসি পুনশিন্নদুনা শেম্লিবনো অদুগা নুমিৎসিগী থৌরমশিং করিগীদমক পাঙথোক্লিবনো হায়বসিবু অমুক তরেৎ-তরা থোক্লা শন্দোক্লা তাক্ন-তিক্নবগী মথৌ তাখিদ্রা? হায়বদি ৱেটলেন্দ হায়বসিগী মনুং চল্লিবা পূন্নমক্কা মীওইবা অমসুং থৱায় পানবা পূন্নমক্কা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী লৈ। ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভম অমসুং শক্তমশিংগী মনুংদা ৱেটলেন্দশিংনা মপূং ওইবা থৌদাং লৌরি। নোংম-নোংমগী ৱেটলেন্দশিং মাঙশিল্লকপা অমসুং তুমশিল্লকপনা অঙৈং-অশাগী খলদা অকাইবা পীরকই। লৈরিবা থৱায় পানবা পূন্নমক্কী পুন্সিদা খুদোংচাদবা অহোংবশিং মায়োক্নহল্লকই। মসি পূন্নমক অসিদগী চহী খুদিংগী ফেব্রুৱারী থাগী অনীশুবা নুমিৎতা 'ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দস দে' গী থৌরম পাঙথোক্নরক্লিবনি। নুমিৎসিগী থৌরম হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২, ২০২৩দা মণিপুরদসু পাঙথোকখ্রে। মপূং ওইবা থৌরম বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সেন্দ্রাদা গভর্ণর লা গনেসননা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা পাঙথোকখি। লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি (এল দি এ) গী চ্যেরমেন য়াওনা লোক্তাক পাৎপু কোনশিল্লিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী য়াওনা পাৎসিগা নক্নবা অমসুং অকোয়বা কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী এম এল এশিংসু শরুক য়াখি। পাঙথোকফম থোকই, মসিগী মরু ওইবশিং লৈবদগী নুমিৎসিগী থৌরমসি পাঙথোক্নরক্লিবনি। মালেমগী মফম খুদিংমক্তা পাঙথোক্নবগুম মণিপুরদসু পাঙথোকখ্রিবনি। অদুবু থৌরমগী মনুং চন্না মণিপুরগীসু ৱেটলেন্দশিং ঙাক শেনগদবনি, য়োকখৎকদবনি অমসুং কন্দুনা থমগদবনি, থম্ফম থোকই হায়বদগী হেন্না হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ৱেটলেন্দশিংগী ফীভম ফগৎহন্নবা মশক থোকপা কম্মিটমেন্ট অমত্তগা লোয়নখিদ্রিবা করিগীনো?

মণিপুরগী ৱেটলেন্দশিং কন্দুনা য়োকখৎতুনা থম্নবা মতিক চপ চাবা এক্ট, রুল লৈজদে হায়বা নত্তে, লৈজে। অদুবু লৈরিবা ময়ামদু লৈনা লৈনা হৌজিক লৈরিবা ষ্টেটসিগী ৱেটলেন্দশিংগী ফীভম অসি পেন্থোকপা য়াবা অমসুং পূক্নিং লূম্নিংঙাই ওইরবা ফীভমদা লৈরব্রা হায়বনি। লোক্তাক পাৎ খক্তগী ৱাফম নত্তনা মরু ওইবা ৱেটলেন্দশিং ওইরিবা পুমলেন পাৎ, লমজাও পাৎ, খোইদুম পাৎ, খরুং পাৎ, ইকোপ পাৎ অমসুং ৱাইথৌ পাৎনচিংবশিংগী হৌজিক ওইরিবা মশকশিংসিবু মখোয়গী মহৌশাগী মশকশিংদুরা ? মখোয়গী পাকপা-চাওবা অমসুং লুবা থেনবগী ওইফম থোকপা ফিভমশিংদু ওইরিব্রা হায়বনি। মসি ওইরগদি থৌওইনা অতম্নমা পাঙথোক্লিবা নুমিৎসিগী থৌরমসি পাঙথোকপদা হান্নদগী ৱেটলেন্দশিং কন্নবগীদমক লৈজরকপা এক্ট, রুলশিংনা মসিনি। মসিগী মনুংদগী তঙাইফদনা থবক্তা ওন্থোক্কদবশিংনা মসিমখৈনি অদুগা নৌহৌননা শেমদোক-শাদোকপগী মথৌ তারিবশিংনা মসিনি হায়বনচিংবা অকক্নবা থৌরাং-থৌশিল অমা অনীদং ওইরবসু পুথোকফম থোক্তব্রা হায়বনি। মণিপুরগী ৱেটলেন্দশিংগীদমক লৈঙাক, মীয়াম অমসুং ষ্টেকহোল্ডরশিংনা তৌগদবা/পাঙথোক্কদবা থবক য়াম্না য়াল্লমগনি। ৱেটলেন্দশিংগী ওইরিবা ফীভমসিনা য়াম্ফমসু থোকই। অদুবু লোইনমক অমুক্তদা পুল্লপ থবক্তা ওন্থোকপদা খুদোং চারোইদবা ওইরবসু নুমিৎসিগী থৌরম পাঙথোকপা খুদিংগী অমমমতা ওইরবসু মেনখৎহৌবনা চহী খরগী মতুংদদি মণিপুরগী ৱেটলেন্দশিং ওইহন্নীংলিবা চাংদুদা ওইহল্লকপা ঙম্বগা লোয়ননা মসিনা মীওইবা অমসুং থৱায় পানবা পূন্নমক্তা লৌহনগদবা থৌদাংশিংসু লৌহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মরম অসিনা মতুংদদি নুমিৎসিগী থৌরম পাঙথোকপদা তঙাইফদনা লৈঙাক্লা অমসুং মীয়াম্না খূৎশম্নদুনা পাঙথোক্কদবা থবকশিং য়াৎথোকসি। থৌরম লোইরবা মতুংদসু ৱেটলেন্দশিংগা লাপথোক্নদনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎসি। শুপ্নতগী কনগদবনি, য়োকখৎকদবনি হায়বা খত্তুং অমনসু অমনসু ফোঙদোক্নরগা লোইশিনগুমসি। মণিপুরগী লৈজরক্লিবা ৱেটলেন্দশিংগী ওইফম থোকপা পাক-চাওবশিং খঙদোক্নবা সর্ভে তৌথোক্লসি। এনক্রোচ তৌশিল্লম্বা য়াওরগসু তকথোক্লসি। ৱেটলেন্দশিংসি মশক অমসুং ফীভম কাইথরকপা থিংহৌনবা করি তৌগদগে হায়বরোমদা পূক্নিং হেন্না চঙশিনবা চুমগনি। থবকশিং অসিদা মীপূং তিংনা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈরক্লগসু প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা অঙম্বা মতেং পাংগদবনি। লাইগী শোয়দনবা মমিংতগী ওইনদি পাঙথোক্লুগুমসি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৯

১) "**নাউহোং**" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) "**য়ুখল**" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৩) "**মীতৈ লোনগৈদা লোনয়ান**" কৌবা লাইরিক অসি মপান মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অমনা খোমজিন্দুনা পুথোরকপনি। খোমজিন্দুনা পুথোরক্লিবা অসি কনানো?

৪) "**চীংয়াদা তময়াদা হৈকোলদা লৈকোলদা/ঈশিং চাইবীনা মরৈ হা-হা তম্বদা/লোক্লুংগী ঈফুৎ মচানা ত্রোং-ত্রোং লাউনা চেনবদা/শংবান্নবা অতিয়াদা উচেক্লা পাইবদা/অহিংদা চীংজাউনা তুমিন তুমিন্না লেপ্পদা/মেঙলবা মেরাগী থাবলদা/শুমহৎচরবসু মহৌশাগী ফজবদা/ইনিংলুদে শৈথাদুনা শৈরেং/অদুনা থি ঐনা অনৌ-অনৌবা মখল।**" শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) "**হৈদি**" হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপা লাইরিকনো অমদি মসিগী ওরিজিনেল অইবদু মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## অন এমপ্লোইমেন্ট প্রোব্লেমগী মণিপুরদা খল্লকপা ৱাখল খরা!

### হেক্তা হায়নীংলকই - ৭৩৯
### জিতেন নামৈরাকপম

লৈঙাক্কী থবক অমত্তংবু ফংলবদি হায়না লাইনীংজবা অমদি রিজল্ট লাউথোরক্তুনা খল্লবা কেন্দিদেটশিংগী ওইনদি খ্বাইদগী নুংঙাইরবা পাউনি। অতিয়াদা থোক্লিবা থাজ অসি মখূৎমক্লা হেক্তুনা পুরকপগা চপ মান্নরম্বসু য়াই। নহান জন্যুৱারী তারিখ ৫দা লৈঙাক্কী ওজা ওইনবা চাংয়েংদা পাস তৌরবা কেন্দিদেটশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে। স্কুল এদ্যুকেসনগী দিরেক্টরনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না হিন্দি গ্রেজুএট টিচর ১৩১, হিন্দি প্রাইমারি টিচর ৩৭৬, আর্টস গ্রেজুএট টিচর ৬১৩ অমসুং সাইন্স গ্রেজুএট টিচর ৩০৯ পূন্না কেন্দিদেট ১৪২৯ লৈঙাক্কী থবক চঙবগী অয়াবা পীখ্রে। খল্লবশিংগী মফমদদি খ্বাইদগী হেন্না হরাউবা নুংঙাইবা তাঞ্জা অদুনি। মখোয়গী জেব সিক্যুরিটি লৈরগনি। থাগী তোলোপ চাবা/চাবী হায়বদু ওইরগনি। প্রাইভেট স্কুলগী থাবা তোলোপ লুপা লিশীং ৬/৭/১০ ফংলম্বদুগী অৱাবদুদগী নান্থোক্লে হায়না মায় পাক্লবা কেন্দেদেটশিংগী মরক্তগী হরাওনবসু কোঙ্গাইনি। ইমা, ইপা, ইচা নৎত্রগা স্পাউজ নাদুনা লায়েংলুবদা চঙবা শেনফমসু রিএম্বর্সমেন্ট তৌবা য়াহনবা, নারসু নাদ্রসু নৎত্রগা মরম অমা হেক্তা পীরগা কেজুএল লিভ/অর্ন লিভ/চাবোকপী ওইরগনা মেটর্নিটি লিভ থা-থাগী সেরিজদা লৌথরগা স্কুল শুককা কাদনা তোলোপ ফংবা কান্নখ্রবা থবকনি। মেটর্নিটি লিভ অসি মীরোল লৈজদবা ইমুংদদি মাগী নুপীনা মচা পোক্লসু নুপা অদুনা অঙাং শেন্নবা মেটর্নিটি লিভ পীবগী অয়াবসু পীখ্রবনি।



মতাং অসি য়ৌরকপদা লৈঙাক্কী থবক তৌব'মুক ফবা কান্নবা লৈতে হায়বগী মতাংদা লৌ য়োল্লগা থবক্কী শেল পীবগী মতাংদা হায়নখিবা "লৌদি তীল তাই, তোলোপতি তীল তাদে" হায়বা ৱাঙাঙ অদু নীংশিংলকই। অদু'ই ৱাদি য়েংঙুনে মতু অদুনা মচা পোক্লবসু মাগী নুপাদুদা মেটর্নিটি লিভ পীবগী চৎন কাঙলোন চৎপা ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরা লৈরি। নুংঙাইত্রা তৌনরিবা মতৌ অসি। কনাগুম্বা ওজা অমনসু হংখি তাজৈ, "হায়মা, নুপাসু মচা পোকপ্রা?" মসি ইন্দিয়াগী স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিগী থবক চুম্না তৌজবা ওজাশিংদা নত্তেকো হায়জরিবসি। মরক মরক্তা উন্নরুবা খরা থেংনরুবা খরগী পাউদমনি খনবীয়ু ৱারৌবীরোই। ঙসি ইখূৎতা কলম পায়দুনা ইজরিবা ঐহাকসু গভর্ণমেন্ট স্কুলগী লাইগুল্লবা ওজাশিংগী পোথোকনি। ঐখোয়না মহুৎ শিনবা ঙল্লরোইদবা মতিক মগুন লৈখ্রবা ওজা কয়া কয়া থেংনজরকখি। মতম অদুগী গভর্ণমেন্ট স্কুলদা তম্লগা হৌরকখিবা মহৈরোয় কয়া কয়ানি ডাক্টর, ইঞ্জিনিয়র, আই এ এস, আই পি এস ওফিসর, ব্যুরোক্রেট ওফিসর নৎত্রগা দিপার্টমেন্ট খুদিংগী মকোক ওইরিবা, ওইখিবশিং। হায়রুরগদি শাউরকপবু য়াই ঙসিগী গ্রেজুএসনগী সর্টিফিকেট পায়রবশিং ইংলিস লোন্দা ছুটি নিবা হৈতবনা অয়াম্বনি। ইরোই লোইবা লাষ্টতা 'মাই নেম ইজ নো বোদি' অদুগা 'মাই নেম ইজ হ্বাট?" কসু হায়নৈকো। য়ুবু, হীদাকপু হেক থক্লবা ইংলিস ঙাক্তা কামথোরকই। মানা হায়খিবদু মুক্নরকপগী মতাং অসিনি, "হে ঙরাংগী ঙাখা!" ইংলিসতা অমুক হন্দোরকখি, 'হে য়েষ্টরদেস স্মোল ফিশ!" মদু তাবদা ঐদি ফাক ফাক নোকখি। মসিমতংদি হায়নীংই - নহানা মাইবা শাবনা মঙ থল্লি। খুদক খুদক্তা হংবা ৱাহংগী পাউখুম খুদক্তা পীবা ঙমদে। খূবাক্তা পায়বা মোবাইল ফোনগী মতেং লৌরগা হিংবা যুগ হায়বদু ওইরব্রা খল্লকই। মসি হায় হায়দুনা লৈঙাক্কী থবক তৌবা পূন্নমকপু কোনশিঞ্জবা নৎচদে। চাদা ৯৮গুম্বদি মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা নত্তে, শুপ্নতগী চাদা ২/৩ খক্তনি হায়বসিদা করি য়েৎনীংঙাই লৈরিবগে।

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্কী সেকেন্দ টর্ম অসিদা গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ীশিং অয়ূক্কী পুং ৯ তাবদা বাইওমেত্রিক সহী তৌরম্লগা ইভনিংগী পুং ৫দা অমুক ওফিস থাদোকপগী খুবীরা খুদোম্বীরা কীৎ লাউনা নম্নম্লগা য়ূমদা হনখিগদবনি। থাংজ অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎ হাপ্তা অমগী মনুংদা নুমিৎ নীনি ছুটি ৱা-ৱা-ৱা! কয়াদা ফজখ্রবা লৈঙাক্কী থবক ফজনা তৌবীয়ু নথৌ পাঙথোকপীয়ু নুমিৎ নীনি ছুটি। অহানবদা য়াম্না মওং মাল্লম্মী। পুংশিং নংনবা ওফিস কান্নরম্মী, মতম চানা হন্নরম্মী। হৌজিক্তি য়েংবীয়ু অমুক্তা রবরসি চিংথোক্তুনা কাপখ্রগা অমুক হঞ্জিল্লকপগুম্বনি। অয়ূক্কী পুং ১০/১১দা ওফিসতা চৌকিদার নৎত্রগা পিওন থেংনবসু য়াই। অদোম্না উন্নগে খনবা ওফিসর মচারা মহাশয় অদু থেংনবা ঙম্ব্রা অমুক্তং য়েংবীয়ু। চীফ মিনিষ্টরগী য়াথংবু ঙাকপীগদবা ১/২ মঙাইগদ্রা অসুম্না অসুম খল্লকই। মহোয়নদি অমুক খল্লম্বসু য়াই, লোয়শঙদা চে চাং সহি তৌথোক তৌশিনগী মতম মাঙনা চৎলিবশিংবু নোক্রেম-ফাইক্রেম তৌদুনা মতম লেনবা হায়গদ্রা দিন লেনবা কয়াদু তৌরকপসু য়াই। মতাং অসিদা লৈখিদ্রবা ঐনা লাৎচরিবা ওজা এলাংবম দিনমনিগী ৱাহৈ মতেক খরা নীংশিংলকই - টেবল অমদগী টেবল অমা লানবদা মদুসু থংনরিবা টেবলনি। থা ৩/৪ গুম্বগী মতম চঙবসু য়াই। ফুরিৎ খাওদা মৈখেৎ য়াওনা য়াওনা চুরুট চম্বা আ মমাঙগী ওফিসকী গেটতা পান দুকানদা হায়নোক তৌনা তৌনা মতম লেনখিবা কয়া কয়ানি। য়াঙ্খ্রে চৎপী, চাম্মা চৎপী য়াওনা য়াওনা চামঙা চৎপী কয়াবু চৎখিবসু কয়া কয়ানি। মসিমক্তি ওজা দিনমনিগা ঐগী ৱাখলগা শাগৎলগা ইজবনি, ৱারৌবীরোই।

হন্দক্কী বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি লাকপদা পেন্দিংদা লৈরম্বা থবক চঙবগী রিজল্ট কয়া হায়দোকখ্রে। ১০ অমসুং ১১শুবা আই আর বিগী পোষ্ট ১৩৫০, নুংশিজরবা মিনিষ্টর খেমচান্দগী শেল চাদনা খুদক্তা হায়দোকখিবা গভর্ণমেন্টকী পোষ্ট থাগৎনীংঙাইনি। শেল চাবা নৎত্রগা চাদবা হায়বদুদি কেন্দিদেট মশা মশানা খঙনরবা মক্তনি। তৌবতবু য়াম্না নুংঙাই, নুংঙাইজৈ। গভর্ণরমেন্টকী থবক হাপ্পদা, চঙবদা অচুম্বা থবক তৌরক্কনি থাজজৈ। তৌবতবু অন এমপ্লোইমেন্টগী পোৎলুম পুরিবা নহা লাখ ৭/৮গী পুন্সিনা কমদৌবা হংদবা ঙল্লক্তে। ●

## ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ১০৪

### ৱাখল ইহুল
### সোরাম ইবোহল লুৱাং

ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা আর্ট এন্দ কলচরবু শীজিন্নরগা মীরমগী লাইনীং লাইশোন অনৌবা মমিং থোনজিল্লগা শেমগৎখিবগী মরক্কী পুৱারী ঐখোয়না হেন্না খঙনরি। খুদম অমত্তং ওইনা পঞ্জরবদা - মুকশন লাইনীংগী লেপখৎলগা ঈশৈ শকপা লাইগী মিংখৈরোল/ৱারী পরিং মতেক অমা তৌবগী ঈশৈ হৌরমদাইদা 'পুঙ য়ৈবা তুং ইনবনা য়েৎথংনা ঈশৈ হৌরগা অমুক তুং থংবদি মমৈবু ময়ানা চিকপনি' হায়বসি লোৎনা থুপ্না শীজিন্নরিবনি। (নোংথোম্বম চা মেরা মঙাংনা ইবা ঐখোয়গী থৌরমলোনগী (চেমায় - ১৮৮)। মরম অদুনা মরী লৈনবা আর্ট এন্দ কলচরগীদা শিনফম তৌবিরিবা ইনাৎকী ইচিল ইনাও, ইচা-ইশুশিংনা ঐখোয় ইশাগী অশেংবা ইপোৎ ইরলশিংবু করম্না ওন্থোক্লগা মীরমগী লাইনীং লাইশোন চাওখৎহন্নবা হোৎনরি হায়বসি খঙদবা মীচম মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবীবগী মথৌ য়াম্না তারক্লি। মরমদি, হৌজিকসি মালেমগী ওইনা মশাগী অশেংবা মশক/শক্তম (য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন তৌনবগী) তাক্নবগী থৌওং থৌশিল চথনরিবমক্তনি।

৬) লৈখিদ্রবা অহল-লমন, ইপা-ইপুশিংগী থৱায় মিরেলশিংগীদমক য়েক্তা শোল্লগা শিদবা মপুদা কৎপা লুক মখল খুদিংমক শোয়দনা লৌবীগনি :-

মথক্তা ময়েক শেংনা পঞ্জখ্রে মদুদি - ময়াংগী গোত্রনা ঈনাৎকী য়েক্তা তাংজবনি। অদুনা য়েক্কী এলিয়জ গোত্রনি। গোত্রদা শোল্লগা তৌবা খুদিংমক ময়াং মখোয়গী মপা মপুগী খূত্থাংদা চৎপা মক্তনি। ইপা ইপুদা য়ৌবা মতমদদি লুক কৎপা ওইরগনা পাথ চোথবদু ওইনা ফংবনি। য়েক খঙদ্রবদি গোত্র হায়বা ঙল্লোই। য়ূম্নাক কয়া অমনা শাগৈ কয়া অমা ওইহল্লি। অদুগুম্বা য়ূম্নাক মান্নবা/মান্নদবা কয়ানা পুনশিল্লগা শাগৈশিংদুগী য়েক ওই। মসিদং খঙলগা লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা ঈরাৎ ঈশোন খুদিংমক তৌবা য়াই। অদুনা 'গোত্র' মথৌ তাদে। ইস্কোন হিন্দুগী চৎন কাঙলোনদা বেষ নাম লৌবা/ওইবা 'দাস/দাসী' নত্তবা হিন্দুগী লাইনীং লিচৎ/কাঙলোনগী চৎনবী 'দাস/দাসী' ৱাহন্থোক থোইনা লৈতবগুম উই। মথক্তা পঞ্জখ্রে। শিরবা মতুংদা পীবা বেষ নাম 'দাস/দাসী' গী চন্নফম লৈতবনা য়েক্তা শোল্লগা তৌবা খুদিংমক তেংপানবা মপু শিদবনা শোয়দনা লৌবীগনি।

গরিবনিৱাজ মহারাজনা শান্তিদাস গোশাইনা হৌদোকপা রমান্দি লাইনীং লীচৎ লৌরবা মতুংদা মশাগী মবুধৌ লককপা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবগী মতমদগী চৎনরক্লবা য়েকপু গোত্রদা ওন্থোকখি। মশা মীরম লাইনীং লিচৎ চৎলবা মতুংদা লাংবন থাদা কৎপা লাংবন হৈশোই কৎপা/তম্বা তরা লুক কৎপবু মীরমগী মপা মপুদা কৎপা 'পিতৃলুক' হায়না ওন্থোক্লগা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবদগী পামহৈবা নিংথৌ মশাবু পোকপা মপাইবুংঙো মৈদিংঙু চরাইরোংবা ফাওবদি কংলৈপাক্কী লাইনীং লাইশোন চৎনবীদা নোঙ্গাখিবা মক্তনি। অদুগুম্বা মপা মপুগী থৱায় মিরেলশিংদা য়েক্তা শোন্দুনা কৎপগী মহুত্তা মীরমগী গোত্রদা শোল্লগা হায়বদি লাইনীং লীচৎ মান্নদবা গরিবনিৱাজ মহারাজ হায়না মশাগী মমিং ফাওবা ওল্লবা মহারাজ মহাক্লা মীরমগী চৎনবীদা কৎপা হৌদোকখিবনি। অদুম লৌই হায়না লৌরবদি য়ূম্নাক-শাগৈসু হোংখিদ্রবসু নম্ফুদা য়েকপু গোত্রদা ওন্থোক্লগা, শিরবা মতুংদা মশা খঙদনা পীশিনবা 'দাস/দাসী' ফনা ওইজরবসু য়ূম্নাক শাগৈ হোংবা লৈখিদবন - য়েক্তা শোল্লগা মখল খুদিংগী লুক কৎপা মতমদা লৈখিদ্রবা অহল লমনগী থৱায় মিরেলশিংনা শোয়দনা লৌগনি। অদুনা ঈনাৎকী ওইবা মওংদা শুংশোয় শোয়দনা কৎলসি। মসিনা হেন্না চুম্বা অমদি য়াইফবা ওইরগনি।

৭) ঈনাৎলোয়শিংগী ওইবা অপুন লূপ- ময়ায় লোয়শঙ অমা অথুবদা শেম্লগা মসিগী মখাদা লমতুপ লমতুপকী ওইবা মসা লোয়শঙশিং লিংলগা ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন মপাঙ্গল কনখৎহল্লসি। পোকপদগী শিবা ফাওবগী মনুংদা লৈবা ঈনাৎকী থৌরম খুদিংমক ঈনাৎকী চৎনবীদা তৌরিবসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা শিনফম-শিন্থা তৌরিবশিংগী মশীং হেনগৎহল্লসি।

অপূন লূপ/ময়ায় লোয়শঙসি অইবগী ৱাখলদদি কষ্টমগী মতুংইন্নদি ইনিংথৌনা লৈবা সনা কোনুংনা ওইফম থোকই অদুবু মশক থোক্লা লৈরিবা লাইশিংগী লাইফমলেনশিংগীসু থৌগল লূপশিং লৈনবনা মখোয়শিংদুনা মসা লোয়শঙশিং ওইরগা মখোয়গী মীহুৎ মী মশীং তরাবু তরামথোইবু ওইরবসু সনা কোনুংদা চৎলগা লাইফমলেনশিংগী করি তৌবা/তৌদবা হায়বনচিংবগী মরমদা মীফম তোয়না ফম্লগা মান্নবা ৱাখল্লোন অমগী মখাদা পূন্না থবক তৌমিন্নরবদি ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন/লীচৎ শোয়দনা অথুবা মতমদা চাওখৎপা ঙমগনি।

৮) অপীকপা অমদি অচৌবা থবক খুদিংমক পাঙথোক্নবা হোৎনবদা শেল (ফন্দ) মথৌ তাবনা ইশা ইশাগী য়ূমথোঙ খুদিংনা থা খুদিংগী য়ামদ্রবদা লুপা ৫০/৫০দি খায়গৎসি:-

লন্নাই য়ূমগী ওইগেরা, লৈবাক খুন্নাইগী ওইগেরা, অপীকপা অচৌবা থবক অমা পাঙথোকপদা শেল চঙই, শেল লৈত্রবদি ওইহন্নীংলিবশিংদু থবক্তা ওন্থোকপা ঙল্লোই হায়বসি হায়দ্রবসু য়ারবা ৱাফমনি। অদুনা ময়ায় লোয়শঙ ওইগদবদু কাঙলোন চুম্না হান্না লৈঙাক অমদা/অনীমক্তা রেজিষ্টর তৌরবা মতুংদা নেসনেলাইজ বেঙ্ক অহুমগুম্বদা ময়ায় লোয়শঙগী একাউন্টশিং হাংলগা, ময়ায় লোয়শঙনা মশক ফজনা খঙলবা লম লমগী ওইবা (এরিয়া ৱাইজ) শেল খোমজিন্নবা মীহুৎ খরা খল্লগা থাগী ওইনা য়ূমথোঙ খুদিংনা লুপা ৫০/৫০ খায়গৎপদু বেঙ্কশিংদা দিপোজিৎ তৌশিল্লবদি লায়না ফন্দ খোমগৎলগা শেমগৎ শাগৎপা ঙমগনি হায়না থমজগে। ইশাগী ইমুংগী ওইনদি চপ চানা লেপচরে। থবক ওইনা পাঙথোক্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়না থমজরি। শেল পায়বা ঈনাৎ লাইনীং লীচৎতা থৱায় য়াওবনা অহেনবা শেনফম খায়বিয়ু, লৈবাক খুন্নাইগী ফনবা তৌবনি। পুকচেল চাওবা কয়াসু মথৌ হেন্না তারিবনি।

৯) মালেমগী তোঙান তোঙানবা মীওই ফুরুপশিংনা পামগদবা মওংদা তোঙান তোঙানবা পুয়াশিংগী মচং ওইবশিং শুপচিন্না চানবা মমিং অমা থোল্লগা ফোঙবা :-

কাংবা নিংথৌগী মতমদগী সনামহী লাইনীং লাইশোন চৎপা হৌরম্বদগী হৌজিক হৌজিক ফাওবদা সনামহী লাইনীং লাইশোন চৎলিবনা - "অসুপ্পা সনামহী লাইনীং লাইশোন পুয়া"/হেন্না চুনগদবা পুয়াগী মমিং অমা থোল্লগা - লৈশেম নোং শেমঙৈদগী লৈরকপা তোঙান তোঙানবা পুয়া মখলশিংদুদগী মচং ওইবশিং পূন্না খন্দুনা লৌখৎলগা লাইরিক ওইনা ইবা হৈবদা নত্তনা মশানা খোমজিঞ্জবা পুয়া মশীং য়াম্না লৈবা মীওইশিংগী 'অখন্নবা টিম' অমা শেম্লগা মথক্তা খন্নরগা পূম্নমকপু কোনশিনবা য়াবা পুয়াগী মমিং অমা থোনবদু অথুবদা ইনবা হোৎনমিন্নবা। পুয়া লাইরিক্তুদা তাঙ্কক/শরুক নাইনা অমুক খায়দোক্তুনা ইবনা ফগদ্রা খন্নবা। অইবগী ৱাখলগী ওইনদি -

অহানবদা, ইরমদমসিগী খুন্নাইদা নত্তনা মালেমগী খুন্নাইশিংদা পোকপদগীনা শিবা ফাওবগী মনুং চন্না লৈবা পুয়াশিংগী মমিংশিং, খুন্নাইলোনগীদা হরাও কুম্মৈ, অৱা-অনা তারকপদা উকল/ঙাক্লৌ ওইগদবা, লমচৎ-শাজৎ অমদি লৈশেমলোনগা মরী লৈনবা লাই হরাওবগী মরমদা ইবা লাইরিকশিংগী তেন্তক্লা মশক তাকপা।

অনীশুবদা, মালেমগী থাক্তা সনামহী লাইনীং লীচৎ, পাখঙবা লাইনীং লীচৎশিংগী মরমদা খঙহন্নবা হোৎনবা।

অহুমশুবদা, তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং মরী লৈনবা থৱায় য়াওবা, লমচৎ শাজৎ চুম্বশিংনা খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক পাঙগদবা থৌরমগী পরম-পথাপ/কাঙলোনশিং, থাক খায়দোক্লগা খঙহনবা য়াবশিংগী মরমদা। ●